## ষ্টেপল পিন য়াওবা টি বেগ থীংখ্রে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ০৫ (ঐচ এন এস): ষ্টেপল পিননা ফাবা টি বেগশিং শাবা, থম্বা য়োনবনচিংবা লেপ্লবা ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী ফুদ ওপরেটর খুদিংমক্তা দেজিগনেটেদ ওফিসর (এফ এস এ), ইম্ফাল ইষ্ট, দি ও ইনচার্জ (জিরিবাম), মণিপুরনা খঙহল্লক্লি। হীরম অসিগী মতাংদা থোকপা নোটিফিকেসন অমনা অশাবা অমদি অইংবা ঈশিংদা টি বেগশিং লুপশিল্লগা চা শেম্বদা ষ্টেপল পিন তাশিনখিবা হায়বসি হকচাংদা খুদোংথিনিঙাই ওই হায়রি।

## এপ্লিকেসন কৌরি

ইম্ফাল, ওক্তোবর ০৫ (ঐচ এন এস): কুমজা ২০১৮-১৯গী ওইনা অনা-লায়েংগী শেলগী তেংবাং লৌনিংবা মতিক চাবা সেদ্যুল ট্রাইব পেসিএন্টশিংদগী প্রিসক্রাইব ফোর্মদা এপ্লিকেসন কৌরি হায়না ট্রাইবেল এফেয়রস এন্দ হীলস, মণিপুরগী দিরেক্টরগী নোটিফিকেসন অমনা খঙহল্লক্লি।

নোটিফিকেসন অদুগী মতুং ইন্না তম্পাক্কী দিষ্ট্রিক্টশিংগীদি মী লৈনবা দোক্যুমেন্টশিং পুথোক্লগা টি এ এন্দ ঐচ দিপার্টমেন্টকী মেদিকেল সেক্সন্দগী লৌবা য়াগনি অদুগা হীল দিষ্ট্রিক্টশিংগীনা এ দি সীগী সী ঈ ওগী ওফিসতগী লৌবা য়াগনি। ওক্তোবর ৮ দগী ফোর্ম থাগনি অমসুং সবমিসন্না ওক্তোবর ৩১ দা লোইগনি।

## টি এম এনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ০৫ (ঐচ এন এস): মণিপুরগী চীফ সেক্রেটরি ওইরম্বা কাইখোকাম কিপজেননা মতম শাংনা নারম্লবা মতুং থা অসিগী ওক্তোবর ২ দা ন্যু দিল্লিগী বাত্রা হোস্পিটালদা লৈখিদবদা থাদৌ ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন, জেনরেল হেদ ক্বার্টসনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি। এসোসিএসনগী চেরোল অমনা লৈখিদ্রবা কাইখোকাম অসি টি এস এ হৌদোক্লম্বা লুচিংবশিংগী মনুংদা অমনি অমসুং লৈখিদ্রবগী ইমুংগী অৱাবদা এসোসিএসন্না শরুক য়ারি হায়রি।

# লৌমীশিংগী শেন্থোক হেনগৎহনবদা ইন্টিগ্রেটেদ ফার্মিং পায়খৎপা কান্নগনি : প্রেমজিৎ

ইম্ফাল, ওক্তোবর ০৫ (ঐচ এন এস): আই সী এ আর-কে ভি কে চুড়াচান্দপুর, আই সী এ আর রিছার্স কমপ্লেক্স ফোর এন ঈ ঐচ রিজন ইম্ফালনা শীন্দুনা সেপ্টেম্বর ২৮ দগী চথরকখিবা ইম্প্রোভিং রিছোর্স য়ুজ ইফিসিএন্সি ওফ লোকেসন স্পেসিফিক রিফাইন্দ আই এফ এস মোদেলস এন্দ লাইভলিহুদ সিক্যুরিটি ইন হিল রিজন হায়বা মোদেল ট্রেনিং কোর্স ঙসি লোইশিনখ্রে।

আই সী এ আর রিছার্স কমপ্লেক্স ফোর এন ঈ ঐচ রিজন মণিপুর সেন্টরদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা সী এ য়ু ইম্ফালগী ভাইস চান্সেল্লর প্রোফেসার এম প্রেমজিৎনা হায়খি, লৌউ-শিংউগী পোথোক হেনগৎহন্নবা লৌমীশিং, সাইন্টিষ্টশিং অমদি লৌউ-শিংউগা মরী লৈনবশিংনা অমত্তা ওইনা হোৎনমিন্নবা তঙাইফদে। লৌমীশিংগী শেন্থোক হেনগৎহন্নবা হোৎনবদা ইন্টিগ্রেটেদ ফার্মিং সিষ্টেম অসি পায়খৎপা কান্নগনি। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা কুমজা ২০২২ ফাওবদা লৈবাক অসিদা লৈরিবা লৌমীশিংগী ইনকম দব্বল হেনগৎহন্নবগী অখন্নবা মীৎয়েংশিং থম্লক্লি।

নোর্থ ইষ্ট রিজনদা লৈরিবা ষ্টেটশিংদা কেমিকেল ফর্টিলাইজর শীজিন্নবগী চাং অসি হন্থে। মসিনা মরম ওইরগা নোর্থ ইষ্টতা ওর্গানিক ফার্মিংগী থৌরাংশিং পায়খৎলক্লি। সিক্কিমদি ওর্গানিক ষ্টেট ওইনা লাউথোকখ্রে। লৌউ-শিংউগী লমদা খুন্মাং চাউশিন্নবা হোৎনবদা অখণ্ড-অহে সাইন্টিষ্টশিং অমদি লৌমীশিং তাথোক তাশিন তৌদুনা মায় পাক্লবা হোৎনবা চঙই।

চীংগী লমদা সিপ্টিং কল্টিভেসনগী থবকশিং চথবা য়াওরি। ফৌ খক্তং থাবনদি শেন্থোক হেনগৎহনবদা ৱাগনি। ইন্টিগ্রেটেদ ফার্মিং তৌদুনা তোঙান তোঙানবা থৌরাংশিং পায়খৎপা য়াই। ঙানু-য়েন য়োকপা, ঙা য়োকপনচিংবা কয়াসু পায়খৎপা য়াই হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা এম আই দি ঐচ, দিপার্টমেন্ট ওফ হোর্টিকলচরগী মিসন দিরেক্টর এন প্রেমানন্দ, আই সী এ আর মণিপুর সেন্টরগী জোইন্ট দিরেক্টর ডা. আই এম সিংহ অমদি কে ভি কে চুড়াচান্দপুরগী হেদ ডা. নিরঞ্জন লালসু দেজদা ফমখি। ট্রেনিং প্রোগ্রাম অসিদা ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংদগী ট্রেনি কয়ানা শরুক য়াখি। ট্রেনিশিংদা সার্টিফিকেটসু য়েন্থোকখি।

## চে-চাং য়াওদবা মীওই ২৬ মরমদা অমুক হলহনখ্রে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ০৫ (ঐচএনএস): মণিপুরদা মরী লৈনবা চে-চাং য়াওদনা চঙলকপশিং লৈঙাক্কী অথিংবা লৈনা লৈনা ঙসি অসামদগী মণিপুরদা নুপী তরুক য়াওনা পুন্না মীওই ২৬ ত্রেন তোংদুনা জিরিবামদা চঙলকপদা জিরিবাম পুলিসনা ফাগৎলবা মতুংদা মরমদা অমুক হলহনখ্রে।

ত্রেন গাড়ী অদু ঙসি নুমিৎয়ুংবদা লমদিংদগী সিলচর ফাওরগা জিরিবাম তম্না লাকপনি। ত্রেন অদুনা জিরিবাম রেলৱে ষ্টেসন হেক য়ৌরকপদা জিরিবাম পুলিসনা ত্রেন অদুদা তোংলকপা মীওইশিং মশাগী শক্তাক চে, মরী লৈনবা চে-চাংশিং অমদি মখোয় চঙলকপগী অকুপ্পা মরমশিং থিজিল্লুবদা মখোয় অয়াম্বনা মরী লৈনবা চে-চাং য়াওদনা কোয়বা লাকপা ওইরমখি। মখোয়শিং অদু রেলগাড়ী অদুনা জিরিবামদগী অসামরোমদা হনখিবা মতমদা চে-চাং য়াওদনা চঙলকখিবা মীওইশিং অদু অমুক তোংহন্দুনা হলহনখি হায়রি।

পুলিসনা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না, জিরিবাম পুলিসনা য়ুমথংনবা অসামদগী মরী লৈনবা চে-চাং য়াওদনা চঙলকপশিং অয়ুক নুমিদাং খাক্তনা চেক তৌদুনা লৈরিঙৈদা অসামরোমদগী মণিপুরদা চয়োল অমগী মনুংদা অমুক্তং চঙলকপা রেলগাড়ীদা চে-চাং য়াওদবা মীওই কয়া তোয়না চঙলকই হায়রি। থৌদোক অসি মমাংদসু পুলিসনা মরী লৈনবা চে-চাং অমত্তা য়াওদনা অসাম অমদি ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংদগী নেসনল হায়ৱে নম্বর ৩৭ জিরিবাম ফাওদুনা চঙলকপা মতমদা মীওই কয়া ফাগৎপা লৈখ্রে হায়রি।

## মহৈরোয়শিং জেলদা থাজিনখ্রে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ০৫ (ঐচ এন এস): মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ৱাথোক্লা মরী লৈননা ফাজিনখিবা এম য়ুগী মহৈরোয় ৯ মরী লৈনবা ওথোরিটি অমদি চীফ মিনিষ্টরনা থাজবা পীখিবগী ওন্ন-তৈনবদা ঙসি চীফ জদিসল মেজিষ্ট্রেটনা জেলদা থাজিনখ্রে।

সী জে এম ইম্ফাল ৱেষ্টনা ঙসি নুমিৎ ১৫ নি জুদিসল রিমান্দ পীখিবা মহৈরোয় লুচিংবা ৯দুদি নাওরেম রিশিকুমার, নামৈরাকপম ইদিসন, নিংথৌজম রোমেস, মথুরাবাশিময়ুম অজিৎকুমার, মনিবাবু নিংথৌজা, থোঙাম বিক্রমজিৎ, পেবম জেৎ, সদানন্দ সরাংথেম অমসুং লাইতোঞ্জম তোমথিনঙানবনি।

ফাদুনা লৈবা মহৈরোয়শিং অসিনা রিমান্দ ওবজেক্সন থাদবদগী কোর্টনা মখোয়বু জেলদা থাজিনখিবনি। পনবা য়াই, ষ্টেট লৈঙাক্লা মহৈরোয়শিংবু কন্দিসন অমত্তা য়াওদনা থাদোক্লবা অমসুং মরী লৈনবা পুলিস ষ্টেসননা এফ আই আর হন্নবা শিন্নবা মহৈরোয়শিংনা তকশিন্দুনা লাকখিবনি। থাজিনখিবা মহৈরোয় লুচিংবা ৯ মক অদু এমসু, দেসাম, এম এস এফ, কে এস এ, এস য়ু কে অমসুং এইমস য়াওবা জোইন্ট ষ্টুদেন্টস কোওর্দিনেটি কম্মিটিগী মহৈরোয়শিংনি।

## 'অফবা খুন্নাই অমগী অফবা মহৈরোয় তঙাইফদে'

ইম্ফাল, ওক্তোবর ০৫ (ঐচ এন এস): অফবা খুন্নাই অমা শেম্নবা হোৎনবদা অফবা মহৈরোয় কয়া তঙাইফদে হায়না য়াইস্কুল এ সীগী এম এল এ টিঐচ সৈত্যবট্টনা ফোঙদোকখ্রে।

শীংজমৈ কোংবা রোদতা লৈবা এস চাওবা মেমোরিএল স্কুলগী ফাওন্দেসন দেগী থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা মহাক্না হায়, হৌজিক্কী মতমদা স্কুল লিংখৎলিবশিং অসি অয়াম্বনা লাল্লোনবগী ৱাখল্লোন্দা চৎপদৌনা তৌই। মহৈরোয়শিংবু মতৌ করম্না পুক্নিং লৌশিংপিবা ঙমগদগে হায়বসি খনগদবনি।

অফবা খুন্নাই অমা শেম্নবা হোৎনবদা অফবা মহৈরোয় কয়া পুথোকপা মথৌ তাই। লোয়ননা অফবা মহৈরোয় পুথোকপা হায়বসি অফবা ওজা অমদি অহল-লমন, মমা-মপা চঙই। হায়রিবা অফবা মম-মপা, ওজা অমদি মহৈরোয়শিং অসিনা পুন্না হোৎনদুনা তংদু লৈতাদ্রবা লমদম অসিদা অফবা ওইরক্লবা হোৎনমিন্নসি হায়খি। থৌরম অদুদা টিঐচ অশংবী, সেক্রেটরি, এস সী এম স্কুল অমসুং অরিবম দেভজানি হেদ মিষ্ট্রেস, এস সী এম স্কুলনা মথংশিংনা প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা চহী অসিগী বোর্ড ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুর (বোসেম)না লৌবা ঐচ এস এল সী ইগজামিনেসন্দা স্কুল অসিদগী মায় পাকখ্রবা মহৈরোয়শিংদসু মনা পীদুনা ইকাই খুম্নখি। লোয়ননা স্কুল অসিদা ক্লাস সিক্স তম্লিবী সষ্টিনাদা মধুমঙ্গোল এৱার্দ অমদি ক্লাস ফোর তম্লিবী লেজটিকাদা সনাতোম্বী এৱার্দ পীদুনা ইকাই খুম্নখি।

## দোমেষ্টিক ত্রভেলরশিং এয়রপোর্টতা বোর্দিং পাস চঙলদবা য়ানা লৈরে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ০৫ (ঐচ এন এস): হৌজিক্তি ইন্দিয়াদা দোমেষ্টিক ফ্লাইট অমদা তোংনবা হোৎনবদা বোর্দিং পাস চঙলরোই হায়রি। দোমেষ্টিক ফ্লাইটশিংগা মরী লৈননা এয়রপোর্টশিংদা চে-চাং য়াওদনা চঙবা য়াহন্নবা লৌখৎলকপা খোঙথাং অমদা লৈঙাক্লা ফেসিএল রেকগনিসন সিষ্টেম অসিবু এয়র পেসেঞ্জরশিংগী বাইওমেট্রিক আইদেন্টিটি কেসন ওইনা শীজিন্নরগনি।

হীরম অসিগী মতাংদা রিপোর্ট অমনা হায়, মসি পি পি পি মেত্রো এয়রপোর্টশিং হায়বদি দিল্লি, মুম্বাই, বেঙ্গলুরু অমসুং হায়দ্রবাদ এয়রপোর্টশিং অমসুং এয়রপোর্ট ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়ানা চলাইবা মরি হায়বদি ভারানাসি, ভিজায়াৱাদা, কোলকাতা অমসুং পুনে এয়রপোর্টশিংদা হৌরবা য়াই হায়রি।

রিপোর্ট অদুনা ছোস অমা পল্লদুনা হায়, দিজিয়াত্রা (দি ৱাই)গী মখাদা পায়খৎকদবা প্রোসেস অদু মথং থা মঙাদগী তরুক ফাওবগী মনুংদা এ এ আই এয়রপোর্ট মরিদা হৌরগনি। অতৈ খনগৎলবা এয়রপোর্টশিংসু সিষ্টেম অসি থুনা চৎনরগনি লোয়ননা লেমহৌরিবশিংসু সিষ্টেম অসি চৎনরগনি।

ছোর্স অদুগী মতুং ইন্না ফেসিএল রেকগনিসন সিষ্টেম অসি থম ইমপ্রেসন্স অমসুং আইরিস স্কেনগী মহুত্তা খনবনি। মীওইবগী মাই হায়বসিসু বাইওমেট্রিক ইন্দিকেটর অমনি। সিষ্টেম অসিগী মতাংদা শন্দোক্লা পল্লদুনা ছোর্স অদুনা হায়, স্কেন অমা পাঙথোকপা মতমদা মাই অসিবু য়ুনিট লিশিং কয়া থোক্লা খায়দোকই অমসুং মদুবু রেকোর্দশিংগা চানবরা হায়বদু য়েংই। কনাগুম্বগী লাইবক শোকপদগী বেন্দেজ য়েৎলবসু সিষ্টেম অসিনা বাইওমেট্রিক্স মেটচিংদি শোয়দনা ঙমগনি। অদুম ওইনমক মাইগী পিকচর অদু চহী মখা খুদিংগী নৎত্রগা মরক মরক্তা অপদেট তৌবা চঙগনি হয়না ছোর্স অদুনা মখা তাখি। অনৌবা সিষ্টেম অসি হৌজিক চৎনরিবা সিষ্টেম অসিগী মথক্তা হাপচিনগদৌরিবনি।

ওপসন অসিবু খল্লিবা দোমেষ্টিক ফ্লায়রশিংনা অহানবদা আধার, পাসপোর্ট নৎত্রগা দ্রাইভিং লাইসেন্সকুম্বা আই দি অমা শীজিন্নরগা এভিয়েসন মিনিষ্ট্রিগী পোর্টেলদা রেজিষ্টর তৌগদবনি। এয়রপোর্টতা অহানবা ওইনা চৎপা মতমদা ফেসিএল রেকগনিসন লৌগনি। মদুগী মতুং তারকপা দোমেষ্টিক জর্নিশিংদা মাইনা পেসেঞ্জরগী আই দি অমসুং টিকেট ওইরগনি। মাইগী দেটা অসি লৈবাক অসিগী এয়রপোর্ট খুদিংমক্লা শীজিন্নবা য়ানবা সিক্যুর ওইনা থমগনি হায়রি।

## হ্যুম্যেন চেন শেমদুনা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ০৫ (ঐচ এন এস): মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা তংদু লৈতাবা ফিভম লৈহল্লু হায়বা দিমান্দ তৌরদুনা মহৈরোয় লূপ ৬ না শীন্দুনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী য়াইরিপোকতা লৈবা তোঙান তোঙানবা মহৈতম্ফমশিংগী মহৈরোয়শিংনা হ্যুমেন চেন শেমদুনা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে।

মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ৱাথোক্লা মরী লৈননা ফাজিনখিবা মহৈরোয়শিং অমদি ওজাশিং কন্দিসন য়াওদনা থাদোক্তুনা য়ুনিভর্সিটি অসিদা তংদু লৈতাবা ফিভম পুরক্কদবনি হায়বা দিমান্দদা দেসাম, এমসু, এম এস এফ, সুক, কে এস এ, এইমসনা চঙশিল্লিবা খোঙজং অসিগী শরুক অমা ওইনা মহৈরোয়শিংনা হ্যুমেন চেন শেমদুনা প্রোটেষ্ট তৌখিবনি।

প্রোটেষ্ট অদুদা মেমোরিএল মোদল একাদেমি য়াইরিপোক, ক্যের ফাওন্দেসন য়াইরিপোক, অজাদ হায়র সেকেন্দরি স্কুল য়াইরিপোক অমদি য়াইরিপোক হায় স্কুলগী মহৈরোয়শিংনা শরুক য়াখি। লোয়ননা মহৈরোয়শিংনা থাজিনখিবা ওজা অমদি মহৈরোয় লুচিংবশিং খুদক্তা থাদোক্কদবনি, এম য়ু কেম্পস মনুংদা মখল অমতগী সিক্যুরিটি থম্বা য়ারোই। এ পি পান্দেগী মথক্তা চথরিবা ইনক্বাইরি খুদক্তা লোইশিনগদবনি অমদি মুটা অমসুং মুসুগী মেম্বরশিংদা দিসপ্লিনরি এক্সন লৌবা হন্দোক্কদবনি হায়বা দিমান্দশিং তৌখি।

## ময়াই কাবা চীঙাক্কী মায়োক্তা রেলি চৎখ্রে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ০৫ (ঐচ এন এস): কে আর সী, এস ঈ সী দি ও, ৱাই ভি এ, ৱাই এ য়ুনচিংবা ক্ষেত্রি লৈকাইগী অপুনবা ক্লব অমদি মৈরা পায়বীশিংনা ময়াই কাবা চীঙাক্কী মায়োক্তা রেলি চৎখ্রে।

ক্ষেত্রি লৈকাই রাইজিং ক্লব (কে আর সী)গী থৌবালগী প্রসিদেন্ট সন্সম গোজেননা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ক্ষেত্রি লৈকাইবী অপুনবা ক্লবশিং অমদি মৈরা পায়বীশিংনা ময়াই কাবা চীঙাক্কী মায়োক্তা রেলি চৎখিবগা লোয়ননা তোঙান-তোঙানবা ৱারেপ কয়া অমসু লৌখ্রে।

ৱারেপশিং অদুদি ক্লবশিং অসিনা কোল্লিবা মফমশিংদা ময়াই কাবা চীঙাক য়োনহলন্দনবা মরী লৈনবা খুদিংমক্তা অইবা চেরোল পীবা। রাইজিং ক্লব/হাওতাবী লম্পাক্কী অকোয়বদা লৈরিবা দুকানশিং লৌথোক্লগা ক্ষিত্রি লৈকাই হায়স্কুলগী মমাঙদা মার্কেট সেটকী অকোইবদা হাঙদুনা লৈরিবা মফমশিংদা ফমহনবা হায়নসু ৱারেপনখ্রে। ক্লবশিং অসিনা অমত্তা ওইনা পায়খৎলক্লিবা থবকশিং অসিদা মীয়াম্নসু মতেং পাংবিয়ু হায়না চেরোল অদুনা মখা তারক্লি।


### NOTICE

**Kakching, the 4th October, 2018**

It is hereby notified for general information of all landholders and members of the society of 116 beneficiary members has been allotted by Govt. Order No. DC(TBL)/13/167/Rev/84 dated 16/04/1996.

The allotted members/society to bring necessary documents of village No. 67-A Khoidum Lamjao and 68-Hiyanglam under Kakching District to submit undersigned on or before 25th Oct. 2018 and carried out Spot verification on 23rd Nov. 2018.


If you fail to turn up at the appointed time, orders may be disposed/passed according to law.

*Sd/-* **Th. Mani Singh**
**Asst. Survey & Settlement Officer-IV**
**Kakching District**

*HL-P/5485/6*

### মীতৈ লায়েং

য়া শৎতনা লায়েংবা, য়াগী কেন্সর মায় পাক্লা লায়েংজরি। এন ইবোহল মীতৈ
চীংমৈরোং মনীং লৈকায় লম্বী চংফম মচিন, নিয়র এসেমব্লী কমপ্লেক্স



১। হৌজিক্কী মতম অসিদা মীয়াম্না মীপাইনরিবা বি.পি. হায়বসি ইমালোন্দা লাইয়ৈ য়ৈবা হায়বনি। হায়রিবা লাইওং অসি মীতৈ ঈপা ঈপুনা অসুম চৎলম্বদগী বোম তুদুনা শিরে, তুমখিবদগী হৌগৎলক্তরে হায়বদি ঐগী লোলদা লাইয়ৈ য়ৈদুনা শিরে হায়বনি। হৌজিক্কী মতমগী লোন্দদি বি.পি. পোকখায়দুনা শিরে হায়না খঙনৈ। হায়রিবা লাইওং অসি মীতৈ ঈপা ঈপুশিংনা থম্বীরম্বা হীদাকশিংনা লায়েংদুনা কনবা ঙম্লে। অকুপ্পা মরোল মীতৈ লায়েংদা নৈনবীয়ু, তান্নবীয়ু।

২। হার্টকী লায়না হায়বদি শ্বর হোনবা নুংঙাইতবা, শদৌ থোংবা, হকচাং চোকথবা, তুম্বা য়াদবা, অকি অখঙ পোকপা অসিনচিংবা লাইওং কয়া অসি হার্টকী ওইবা প্রোব্লেমনি। অদুবু ৱাবীরুনু মীতৈ লায়েংনা অতেনবা মতমদা ফহনবা ঙম্লে।

৩। হৌজিক্কী মতম খুৎলায়গী পাঙ্গলনা চাংয়েং তৌবদা অনাবগী লাইওং পুথোকপা ঙমদবা লায়না লাইওং কয়া মীতৈ লায়েংনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। নুংশীৎকী লায়না (Gastric)।

৪। Make-up (Parlour) তৌবদা চান্নদবদগী মায়দা allergy তৌবা অসি মীতৈ লায়েংনা অতেনবা মতমদা কোকহনবা ঙমজরে।

৫। মীওইবগী পুন্সিদা য়া হায়বা শায়রগা চান্নরীবা অসিবু পুন্সিগী লেঙদ্রবা পামেল অমা ওইহনবীয়ু। অদোমগী হকচাঙ ফহনবীয়ু। য়ানা মীওইবগী থৱায়নি। য়া নাবা অমসুং য়াদা মুবা তিল চাবা হোবা, য়ারীদা পোন্বা, নাই চাবা, ঈ থোকপা অসিনচিংবা কয়া শত্তনা অমদি তুংদসু অমুক হৌহন্দনা মায় পাক্লা লায়েংজরি।

৬। মথক্তা পঞ্জখিবা লায়নাশিং অসিগী মথক্তা মখাদা পঞ্জরিবা লায়নাশিং অসিসু ঐখোয়না চাংয়েং কয়া তৌজদুনা নীঙথিনা লায়েংজদুনা মায় পাক্লা ফহনবা ঙমজরে। লায়নাশিং অদুদি :- নুংশং নাবা, লাই ওক্লবা, ঈশিং পুকচৎপা, নুপীগী থাগী খোঙকাপ শোইবা, ফীঙৌ চৎপা, ঈ-নুংশিৎ, লিবর, চাকখাউ নাবা, এজমা হারা, হুইনা চিকপা, লিন্না চিকপা, সাইনস, তোন্সিন অমদি কংখুনচিংবা লায়না কয়া, লালচাক-ফম্বী শোনবা, খোঙয়া শাবা, হকচাংদা ঈপুম নাইপুম লৈবা (without surgery) ফহনবা ঙম্বা হীদাক, খ্বাঙ নাবা, মটু লৈবা, অপোম্বা খুদিংমক, নুংশিৎ চংবা (হিংচাবী চংবা), মীৎ-নাপু কাবা, খোঞ্জেল শীথবা (voice down), ঈ-য়াই হকচাং নোয়বা ফনবা অমদি মশা পাবা নোয়নবা, নাহি তাবা অমদি ঊনশাগী লায়না কয়া মায় পাক্লা ফহনবা ঙমজরে।

**অকুপ্পা মরোল খঙবীনিংবশিংনা মীতৈ লায়েং ইবোহল, সনাতোম্বা, গোপাল অমসুং মোধুবলাদা তান্নবীয়ু।**

Phone No. **9612225582**
**Regd. No. 4277 of 82 April**
**DR. N. IBOHAL MEITEI,**
**State & National Awardee**

HL-B/4868/20/9-19/10

### DOCUMENT LOST

I have lost my Aadhaar Card bearing No. 4707 5494 2682 and Voter Identity Card (Sl. No. 309, House No. 60, BFT No. 0322842), on the way between Sawombung Kabui Khunjao to Babupara on 28/09/2018. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

*Sd/-* **Mr. Kamei Gaichungpu Kabui**
S/o Kamei Kumar Kabui
Sawombung Kabui Khunjao ☎ **7005210368**

*HL-P/2243/6*

### THE IMPHAL URBAN COOPERATIVE BANK LTD. ADMINISTRATIVE OFFICE, M.G. AVENUE, IMPHAL

**NOTICE**

Imphal, the 4th October, 2018

**No.IUCB/23(b)/2018-2019:** Notice is hereby circulated to all the Shareholders for Group-L (farmer) of the Bank that the Shareholders Group -L meeting held on 29-4-2018 has remained adjourned for want of quorum. Now, the said meeting is rescheduled on Tuesday, the 16th October 2018 at 10.00 a.m. at the Administrative Office, M.G. Avenue, Imphal to transact the same agenda.

Hence, all Shareholders for Group-L (Farmer) admitted upto 3-2-2016 are requested to make it convenient to attend the meeting in time.

**By Orders of the Administrator**
*Sd/-* N. Uma Devi
Dy. General Manager

HL-P/2244/6&7

### IN MEMORY OF SHRI H. PRADIP KUMAR SINGH



The Officers and Staff of the MPHC Ltd expresses its profound grief at the untimely demise of **Shri H. Pradip Kumar Singh,** Driver at 1 am on 29-09-2018 after prolonged illness. **Shri Pradip Kumar** was an example of sincerity and dedication to his profession during his life time. He had a gentle and kind nature and was loved by his family, friends and colleagues. A Condolence Meeting was held in his memory at MPHC Ltd. Campus on 01/10/2018. We take this opportunity to convey our heartfelt condolences to the bereaved family. May the Almighty give them strength and solace in their hour of grief.

**Managing Director, All Officers and Staff of**
**Manipur Police Housing Corporation**
**Limited, Imphal**

*HL-P/2245/6*

### OFFICE OF THE RETURNING OFFICER TO THE ELECTION OF DELEGATES AND BOARD OF DIRECTORS OF THE IMPHAL URBAN COOPERATIVE BANK LTD., M.G. AVENUE, IMPHAL

**NOTIFICATION**

Imphal, the 4th October, 2018

**No.1/RO/Election/IUCB/2017:** In pursuance of the Judgement order dated 24-9-2018 passed by the High Court of the Manipur in W.P.(C) No. 358 of 2018 with MC(WP (C) No. 183 of 2018, MC(WP (C) No. 184 of 2018, MC (WP(C) No. 201 of 2018 and W.P.(C) No. 516 of 2018, the counting of votes for Election of Delegates held on 29-4-2018 and 16-10-2018 will be carried out on Thursday, the 18th October 2018 at the Administrative Office of the Imphal Urban Cooperative Bank Ltd., M.G. Avenue, Imphal at 10 A.M. till completion of counting of votes.

*Sd/-* **T. Pradwipkumar Singh**
*Returning Officer*
Election to the Delegates and Board of Directors of the Imphal Urban Coop. Bank Ltd.

*HL-P/2244/6&7*

### OFFICE OF THE RETURNING OFFICER TO THE ELECTION OF DELEGATES AND BOARD OF DIRECTORS OF THE IMPHAL URBAN COOPERATIVE BANK LTD., M.G. AVENUE, IMPHAL

**NOTIFICATION**

Imphal, the 4th October, 2018

**No.1/RO/Election/IUCB/2017:** With reference to election Notice of even No. dated 28th November 2017 and subsequent notice of even No. dated 7th April 2018, the Election of Delegates of the Imphal Urban Cooperative Bank Ltd. held on 29-4-2018 for Group-L has remained adjourned for want of quorum. Now, the Election of Delegates for Group-L, will be rescheduled on Tuesday, the 16th October 2018 at the Administrative Office of the Imphal Urban Cooperative Bank Ltd., M.G. Avenue, Imphal (Polling hours from 10 a.m. to 4.00 p.m.)

Hence, all shareholders members of Group-L admitted upto 3-2-2016 are requested to attend the said election.

*Sd/-* **T. Pradwipkumar Singh**
*Returning Officer*
Election to the Delegates and Board of Directors of the Imphal Urban Coop. Bank Ltd.

*HL-P/2244/6&7*


### WANTED EXPERIENCED TAILOR

- JOB LOCATION : ARUNACHAL PRADESH, ITANAGAR
- ACCOMODATION PROVIDED
- TRAVELLING FREE

*For more Info Contact :*
**RANJAN**
☎ 7629981271, 8787332016

*HL-P/3655/5-11*

### য়াম্না নুংঙাইবা ফোঙদোকচরি



L. Sudhakar

সগোলবন্দ খম্নাম লৈরক ইম্ফাল আই. টি. আই মনাক্তা লৈবা নুঙগী লায়েংবা **লাইশ্রম সুধাকর (শামু)** (অপোকপা লাইশ্রম নবকিশোর) গী হিদাক চাবদগী ঐগী ঈশিং মরীদা লৈরম্বা নুঙ অমা নুমিৎ মঙানিদা তারক্লে। মসিগীদমক্তা ওজা লাইশ্রম সুধাকর (শামু) বু পাউচেগী থোংদা নুংঙাইবা ফোঙদোকচরি।

*Sd/-* **Sairem Sashikumar**
Yumnam Patlou

*HL-P/5484/6*

### থাগৎপা ফোঙদোকচরি



Manipur State Panchayat Parishad (MSPP) দা Th. Biswajit Singh, Hon'ble Minister, RD & PR না পীবীরকখিবা থাজবা থবক্তা ওন্থোকপীরক্তুনা ঙরাং তাং ০৪-১০-২০১৮ ইংদা State Cabinet কী মীফম্না অয়াবা পীবীরক্তুনা Panchayat Raj Institutions (PRIs) শিংগী Honorarium হেনগৎহনবীবগীদমক Manipur State Panchayat Parishad (MSPP) গী মায়কৈদগী Hon'ble Minister অমসুং State Govt. অসিবু হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোকচরি। লোয়ন-লোয়ননা Government অসিনা মখা তানা অথুবা মতমদা Panchayat Raj Institutions (PRIs) শিংদা অহেনবা শক্তি পীরক্কনি হায়বগী থাজবসু থমজরি হায়না MSPP গী মায়কৈদগী ফোঙদোকচরি।

*Sd/-* **N. Jadumani Singh**
*General Secretary*
Manipur State Panchayat Parishad (MSPP)
Porompat

*HL-P/5489/6*

### DELTA Tutorials

Kwakeithel Bazar, Imphal

BOSEM COHSEM CBSE

The Largest & Trusted Coaching Centre for both Sc. and Arts in Manipur

**ADMISSION OPEN** — **Class X** CBSE From 24th October, 2018

**REVISION Course** — **Class XII** CBSE From 24th October, 2018

**Class XII** COHSEM From 24th October, 2018

Class Timing 4:30 - 7:30 pm

Hostel Available

Complete Study Materials
Monitor with CCTVs
Wi-fi campus, Smart class
Experienced Faculties
Regular Test Series

Sure Shot Question Analysis | Van Service available

HL-B/4895/2/10-1/11

### 2ND STATE LEVEL TALENT SEARCH

SCHOLARSHIP COMPETITIVE EXAM 2018 (CLASS I TO X CLASSWISE)
ORGANISED BY: EDUCITY
Sagolband Tera Tongbram Leikai Near Oriental College Imphal-795001

PRIZE:
1st /2nd/3rd Position holdr of each Class will be awarded with scholarship.
1st Position - 1000 x 12 months + Certificate
2nd Position - 700 x 12 months + Certificate
3rd Position - 500 x 12 months + Certificate
4th to 10th Position - Special Gift + Certificate
Subject Toppers (4 Subject Separately) 1000 each + Certificate

Submission Fee Rs. 300/-
Last Date of Submission: 23rd October
Class I to V Sub : Math, Eng, Sc.
Class VI to X Sub : Math, Eng, Sc. S.Sc.
Date of Exam: 28th October (Sunday)
Timing : 8:30 to 10:30 (I-X)

| Class I - V | Marks F.M. | P.M. |
|---|---|---|
| Math | 40 | 20 |
| English | 30 | 15 |
| Science | 30 | 15 |

| Class VI - X | Marks F.M. | P.M. |
|---|---|---|
| Math | 40 | 20 |
| English | 20 | 10 |
| Science | 20 | 10 |
| S.Science | 20 | 10 |

* Forms are available at all the leading book stores and schools of Manipur.

1. Sirai Paper Mart - Singjamei Bazar & Kwakeithel 2. Chanura Photo - Kakwa Bazar 3. Heemabala Book Store - Canchipur 4. Universal Book Store - Lilong Bazar 5. K. B. Stationery - Wangjing Bazar 6. Mangal Stationery - Kakching Bazar 7. PP Collection & Stationery - Kakching Bazar 8. Echan Stationery - Wabagai Lamkhai 9. Baby Book Store - Mayang Imphal 9. M/s Computer - Thangkhong Laxmi Bazar 10. New Book Store - Wangoi Bazar 11. M/s. Rakesh Book Store - Wangoi Bazar 12. Sangai Book Store - Samurou Bazar 13. Lily Book Store - Oinam Bazar 14. I.K. Book Store & Xerox Point - Bishnupur Bazar 16. Tamo Photo Studio - Ningthoukhong Bazar 17. Romee Book Store - Moirang Lamkhai 18. Ibeyaima Gallery - Moirang Bazar 19. Laima Book Store - Nambol Bazar 20. C.L Book Store - Nambol Bazar 21. Sharma Distributor - Yairipok Bazar 22. Yai Bros - Yairipok Bazar 23. Habib Stationery - Yairipok Azad Galai 24. Hee Yai Enterprises - Sangakpham 25. Phijam Stationery - Chingmeirong Khongnang Ani Karak 26. Leirik Stationery - Khumbong Bazar 27. L.K. Book Store - Lamlong Bazar 28. Compact Service - Khoyathong 29. Taurus Stationery & Grand Paper Mart - RIMS Gate, 30. Shila Book Store, Thoubal Bazar, 31. Amar Book Store, Khangabok Bazar, 32. Eikhaigi Enterprises - Kwakeithel Bazar

HL-P/3633/14/9-15/10

Please Contact: 9612194500 / 8794386523